**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিনা লম খুদিংমক্তা মাংলোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

২) মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তুংগী মীরোলশিংগীদমক্ত অফবা লুচিংবা পুথোকবা হোৎনবদা ক্লব অমদি লন্নাই লুপশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই।

৩) করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- খুন্নাই অসিবু মায়ওন চুমা পুনবা হোৎনবদা আইবশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

৪) এম.এল.এ- টি. রোবিন্দ্রোনা থাঙ্গ কেন্দ্রগী স্কুল অহুমগী নৌনা শাবা বিল্ডিংশিং ঙসি শঙ্গাখ্রে।

অমসুং

৫) চহি অসিদা মণিপুরদা পুন্না মীওই লিশিং ২,৪৬১ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি, মীওই ৫ না লৈখিদে।

------

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৈবাক অসিনা লম খুদিংমক্তা মাংলোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী মন-কি-বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-শান্নববু ওইরো, বিগ্যানগী লমদবু ওইরো ভারতনা লম খুদিংমক্তা মায় পাকপগী পুৰারী শেল্লি। ২০১৪ দগী হৌখিবা মন-কি-বাটকী ইপিসোটশিংনা অপুনবগী পাঙ্গল উৎলিবা লেভিং দোকুমেন্ট অমা ওইরে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

শ্রী মোদিনা হায়- শান্নরোইশিংগী স্প্রিরিৎপু য়োখৎলবদি খুন্নাইদা অপুনবগী শক্তম শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি। বাস্তর ওলিম্পিকনা শান্ন খোৎনবগী লম অমসুং লৈবাক অমগী চাউখৎপগী ইতিনফমগী শক্তম ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিগুম্বা শান্নবগী থৌওংশিং শিল-লাংদুনা পুকিং থৌগৎপীনবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

হৌজিক নীংথম থাগী মতম অসিদা লৈবাক শিনবা থুংবদা ফিটনেসকা মরী লৈনবা থৌরম কয়া পায়খৎলি হায়রদুনা ফিটনেসপু নোংমগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইনা পাঙথোকরকপদা প্রধান মন্ত্রিনা নুংঙাইবসু ফোংদোকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-মথং চহিদা ভারত্তা ৱাৰ্ল্ড ওদিও ভিজ্য়েল ইন্টরটেনমেন্ট সমিট পাঙথোক্লগনি। মসিদা ভারতকী ক্রিয়েটিব টেলেন্ট মালেমদা উৎথোকবগী তঞ্জা অমা ফংলগনি। ইন্টরটেনমেন্ট অমদি ক্রিয়েটিব ইন্দষ্ট্রিজগা মরী লৈনবা পুম মক্তা সমিট অসিদা শরুক য়ানবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

লৈবাক অসিগী সংস্কৃত্তিগী মঙাল মালেমগী কাচিন কোইয়া য়ৌনা শন্দোক্লি হায়রদুনা মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী সংস্কৃত্তি অসি মালেমগী মহাদেস অহুমদা উবা ফংলি। এন্যিমেসন অমদি রিগুলর ফিল্মশিং য়াওনা টি.ভি. সেরিয়েলনা ভারতকী ক্রিয়েটিব ইন্দষ্ট্রিগী তৌবা ঙম্বা কয়া অদু উৎপগা লোয়ননা শেল থ্মগী লমদসু চাউনা মতেং পাংলি। ঐখোয়গী ফিল্ম অমদি হরাউ কুম্মৈগী উদ্যোগ অসি অশুক্কী মতিক চাউখ্রে অমসুং মসিনা এক ভারত শ্রেস্থ ভারতকী ৱাখল্লোবুসু মপুং ফাহল্লি।

সত্যবর্তা (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়রি- রাজ্য অসিগী তুংগী মীরোলশিংগীদমক্ত অফবা লুচিংবা পুথোকবা হোৎনবদা ক্লব

অমদি লন্নাই লুপশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌফম থোকই। ইম্ফালগী বামোন লৈকাইদা লৈবা য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরগী লাইব্রেরি হাংদোকপা অমসুং হোক্কি একজিবিসন মেটচ হৌদোকপদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়- অসিগুম্বা লুচিংবশিং পুথোকপা ঙমবা গ্রাস রুট লেবেলদগী হৌরগা ক্লবনচিংবা লন্নাই লুপশিংনা মখোঙ শোন্বীদুনা অফবা লুচিংবা ওইরকপা য়াবা মীওইশিং শেমগৎপা তঙাইফদে।

থৌরম অদুদা অকাশবানি ইম্ফালগী হান্নগী প্রোগ্রাম হেদ অমসুং য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা আধিকারিময়ুম গীতচন্দ্র শর্ম্মা শরুক য়াখি।

শ্যাম (এল) ঃ করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি- অইবশিং অসি ঈশ্বরনা পীথোরকপা মগুন চেনবা, খুন্নাই অসিবু মায়ওন চুমা পুনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা কাংবুনি।

রাইটরস ক্লব মণিপুর, নম্বোলনা শিন্দুনা ঙসি ওইনাম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- ইরেংবম নলিনি দেবীগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা ডাঃ ইরেংবম ইবোহলবী নিংশিং সাহিত্য মনা ২০২৪ লান্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়- ওইনাম কেন্দ্রগী মীহুৎ অমা ওইনা রাজ্য অসিগী মতম মতমগী ওইবা ইসু কয়াদা মায়পুননা থৌদাং লৌরম্বা লৈখিদ্রবা হান্নগী এম.এল.এ ডাঃ আই. ইবোহলবীগী মীংদা ইমুং মনুংনা সাহিত্যগী মনা অমা কৎপা অসি থোইদোকা থাগৎনিঙাইনি। ডাঃ ইবোহলবীনা বিরোধি সদস্য অমা ওইনা রাজ্য বিধান সভাদা লোরম্বা থৌদাংশিং হৌজিকসু মীয়ামা নিংশিংনরি। আইবা অইবীশিংনা মতম মতমগী থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং নৈনদুনা তুংগী মীরোলদা পাউদম্বদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি।

থৌরম অদুদা মোইরাংগী এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি অমসুং রাইটরস ক্লব মণিপুর নম্বোলগী প্রসিদেন্ট ফুরাইলাৎপম ব্রজমুহিনি দেবী শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা চীংনুংগী সনা লোক্তগী হায়বা লাইরিক্কী অইবা থৌদাম নেত্রজিৎতা অহানবা ডাঃ ইরেংবম ইবোহলবী নিংশিং সাহিত্য মনা ২০২৪ পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

রোবিন্দ্রো (এল) ঃ হাইস্কুলগী থাক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রবা অমসুং হায়র সেকেন্দরি থাক্তা অপগ্রেদ তৌখ্রবা থাঙ্গ কেন্দ্রগী স্কুল অহুমগী নৌনা শাবা বিল্ডিংশিং এম.এস.পি.সি.এলগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা এম.এল.এ- টি. রোবিন্দ্রোনা ঙসি শঙ্গাখ্রে।

সমগ্রহ শিক্ষাগী মখাদা হাইস্কুলদা অপগ্রেদ তৌখিবা স্কুলশিং অদুদি খোরদাক মপাল অমসুং চীংমৈদা লৈবা স্কুল অনিনি। অদুগা হায়র সেকেন্দরিদা অপগ্রেদ তৌখিবা স্কুল অদুনা থাঙ্গ হাইস্কুলনি।

থৌরম অদুদা শ্রী রোবিন্দ্রোনা হায়- নৌনা অপগ্রেদ তৌরবা স্কুলশিং অসি লাক্লিবা জনুৱারি থাদগী একাদমিক সেসন হৌরগনি।

ওকপা (এল) ঃ মণিপুরগী মায় পুরকখ্রবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী সেনিয়র প্লেয়র অমদি কোচশিং ঙসি খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পৱার মন্ত্রি থোঙাম বিশ্বজিৎনা তরামা ওকখ্রে। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা শান্নরোইশিং অমসুং কোচশিংনা মীংচৎ হেন্না পুরকবা মখা তানা কন্না হোৎননবসু মন্ত্রিনা তকশিনখি।

অরকাইবস(এল) ঃ ৪৩ শুবা অরকাইবস ৱিক সেলেব্রেসন অমসুং রেকোর্ড ইগজিবিসন ঙসি লোইশিনখ্রে। থা অসিগী ২৭ তগী ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা মনিপুর ষ্টেট অরকাইবস কমপ্লেক্সতা চত্থরকখিবা চয়োল পালন অসিদা রেকোর্ড ইগজিবিসন নুমিৎ হুমনি চুপা চত্থখি। মদুদা পুয়া য়াওনা অরিবা মতমগী লাইরিক কয়া উৎখি।

লুখোই (এল)ঃ শকাইরবা শুমাং লিলাগী অইবা অমসুং মৈতৈ পুয়াগী ৱারী লীবা- চনা লুখোই ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্টকী চনা ময়াই লৈকাইদা লৈবা মশাগী য়ুমদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৭৫ শুখ্রে। মহাকা হিংলিঙৈ মতমদা লিলা ১৫০ হেন্না ইরমখি। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি অমসুং মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিনবা মণিপুর পুন্সী শুমাং লিলা অথোই অহেন তান্নবদা মহাকা

ইরম্বা লিলা ১৮ বেষ্ট স্ক্রিপকী মনা ফংখি। সেকেন্দ বেষ্ট স্ক্রিপকী মনানা ৯ লক ফংখি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মনা কয়াসু ফংখি। মহাকা ইরম্বা লিলাশিংগী মনুংদা- শাবী শানৌ এক্সপ্রেস, মিস শংবান্নবী, কংলৈপাক্তা ১৭০৯, য়োৎকী কোলু অমসুং নোংঙানখিবদ্রবা অহিংনচিংবা লিলা কয়া মীয়ামা পামা য়েংনখি। মীয়ামা খ্বাইদগী পামা য়েংনখিবা অপুনবগী শক্তম নৌহৌননা শাগৎপদা খুন্নাই অসিবু লমজিংখিবা লিলা অমা হায়বা তারবদি- কৈশামথোংগী থোইবী অসিসু অমনি।

থৌপাং (এল) ঃ সাহিত্য থৌপাং লুপ (শাথৌ লুপ)না শিন্দুনা ইম্ফাল লিটরেচর ফেষ্টিভেলগী থৌরম ঙসি ইম্ফালদা লৈবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা সাহিত্যগী লমদা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

দেঙ্গি (এল) ঃ ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ শলাম প্রিয়োকুমারনা হায়রি- চহি অসিগী জনুৱারিদগী ঙসি ফাওবদা রাজ্য অসিদা পুন্না মীওই লিশিং ২,৪৬১ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৫ না লৈখিদে।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- হৌজিমক্কী ওইনদি মণিপুরদা লায়না অসি মপুং ফানা লাকশিল্লে। মহাকা হায়- কুমশি চহিগা য়েংনবদা মমাংগী চহিনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবগী চাং হেনখি। অদুমওইনমক, মীয়ামদা কা হেন্না অকিবা পোকহনখিদে। অদুবু হন্দক দেঙ্গি লায়না শন্দোরকপা মতমদদি ইমুং অমগী মীওই পুন্না পুন্না নাবা য়াওশিল্লক্তুনা মীয়ামদা মীপাইবা পোকহনখি। অদুমওইনমক, সরকারনা মতম চানা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপদগী অমসুং মীয়ামগী মতেংদগী লায়না অসি লাকশিনবা ঙমলে।

রেড ক্রোস (এল) ঃ হন্দক্তা পঞ্জাবতা পাঙথোকখিবা ইন্তর ষ্টেট জ়নিয়র রেড ক্রোস ত্রেনিং কম ষ্টদি কেম্প অমদি নেসনেল য়ুথ একচেঞ্জ প্রোগ্রামদা শরুক

য়াখিবা মণিপুরগী জ্নিয়র রেড ক্রোস টিমনা কম্পিতিসন কয়াদা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরকপগা লোয়ননা মনা কয়া ফংলক্লে হায়রি। মণিপুরগী টিম অদু ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চেয়ারমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বনা লুচিংবা কাংবু অমনা শরুক য়াখি।

ককচিং (এল) ঃ ককচিংগী গ্রেস কোটেজ একাদমিদা ঙসি ক্লাস টেনগী মহৈরোইশিংগী ওইবা রাজ্য থাক্কী কম্পিতিতিভ একজামিনেসন অমা পাঙথোকখ্রে। পরিক্ষা অদু লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

ধারনা (এল) ঃ খুল ঙাকপা অমদি মীচম ফাবা লেপ্পীয়ু, ফাখিবশিং কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপীয়ু হায়বা দাবীশিং তকশিনদুনা ঙসি ককচিং বজারদা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা ককচিং পুলিসনা খুল ঙাকপশিং থাদোরকবসু ফোংদোকখি।

মৈরা (এল) ঃ ওল মণিপুর ৱিমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)না শিন্দুনা ৪৪ শুবা মৈরা পায়বী হৌদোকখিবা নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী জি.এম. হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা নুপী সমাজগী লৈখিদ্রবী ইমাশিংদা ইকায় খুমবা উৎখি।

দ্রৌপদি ঃ উত্তর প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যনাথনা ঙসি রাষ্ট্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা শ্রী অদিত্যনাথনা রাষ্ট্রপতিদা মথং থাদা প্রয়াগরাজদা পাঙথোক্কদৌরিবা মহাকুম্ভগী থৌরমদা শরুক য়াবীনবা বার্তন তৌখি। মহাকুম্ভগী থৌরম মথং থাগী ১৩ দগী ফেব্রুৱারি ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

## --হৌজিক শান্নবগী পাউ--

সন্তোসঃ ৭৮ (হুমফু তরা নিপাল) শুবা নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ত্রোফিগী অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা হৌজিক হায়দ্রবদকী দেকান এরেনাদা মনিপুরগা কেরলাগা শান্নরি।

অহানবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি নুংথিল নোংচুপ বেঙ্গোলনা সাভির্সেসপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩১ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৭ মখায়দা শান্নগনি।

পোলো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন ককচিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন অনিনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল ওপন পোলো তুরনামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচশিং ঙসি শান্নখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব(এ)না তেকচম পোলো ক্লব(এ)বু পাঞ্জল ৭-৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে। অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা তেকচম পোলো ক্লব(বি)না নম্বুলমপাল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৪-১ মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে। ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নগনি।

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ক্রিকেট মেটচতা রুল মৈত্রমনা মহাক্কী লম্বা পি.সি.সি ময়াই কোইবীবু রন ১৩৯ দা থোইখ্রে। থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্লু হোক খুরাই লমলোংনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু রন ৭ তা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নগদবা ক্রিকেট মেটচতা কে.আই.ৰাই.সি ক্ষেত্রিগাউগী টিম লাক্তবদগী মহাক্কী লম্বা এস.এস.য়ু শিংজমৈ-ককৰা ৰাঙ্ক ওভর ফংখ্রে।

তুরনামেন্ট অসিগী খাঙবোক পার্ট-থ্রি চেরাপুরগী পাব্লিক গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচ অমদা এম.পি.এ থৌনাডজমনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু ৰিকেট ১ দা থোইখ্রে।

------